## এডিটোরিয়েল

### নোর্থ ইষ্ট অমসুং সেন্ত্রেল ইন্দিয়াগী মীয়াম

*মমাংদগী নোর্থ ইষ্টতা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মীয়াম অসি মহৌশাদগী হৌনা সেন্ত্রেল ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীওইশিংগা শক–চুদা খেন্নবা অমসুং চাকচা–যুথক্তা খেন্নবা কয়া লৈবা মরম্না য়াম্না তোপ তোপ্পা ফিভম অমদা লোয়নদুনা লাকখিবনি। মসিগী মথক্তা ইন্দিয়াগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মনুংদা খ্বায়দগী নোংপোক থংবা কাচিন্দা লৈরিবা মণিপুর হায়রিবা ষ্টেট অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াদা লৈরিবা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মীয়াম্না ইখঙ খঙনদে হায়বসি য়াম্নমক চুম্লবা ৱাফম্নি। মসিনা মরম ওইরগা শক–চু মান্নদবা লমদম অসিগী মীয়াম অসি মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা সরকারগী নৎত্রগা কম্পনিগী থবক তৌদুনা লৈবা ওইরগসু নৎত্রগনা লাইরিক–লাইশু তমদুনা লৈবা মীওইশিং ওইরগসু ওন্থোকপা ফীভম অমদা লোয়নৈ হায়বসি মমাংদা থোকখিবা থৌদোকশিংদগী ইরায় লায়না খঙবা ঙম্লবনি। মসিগী মথক্তা মখল মখা কয়াগী ৱাকৎ লৈরবা ফাওবদা চপ চাবা লৈবাক অসিগী সিটিজেন অমা ওইবগী হক অদু ইফং ফংবা ঙমদে। হৌখিবা চহি ২০ লোম অসিদা মণিপুরগী মশক অসি লৈবাকসিগী ত্রেদিসনেল ওইবা ক্লাসিকেল দান্সনা মালেমগী মফম পুম্নমক্তা শক তাক্তুনা ষ্টেটগী মীংচৎ পুরকখিবা অদুগী মথক্তা অমুক শান্নবগী লমদা নেসনেল লেভেলদগী হৌরগা ইন্টর্নেসনেল লেভেল ফাওবদা মমিং লৈরবা শান্নরোই কয়া পুথোরকখিবদগী ঙসি শান্নবগী লম অসিদা ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক্তা মশক তাক্তুনা লাক্লিবনি। ঙসিদি মণিপুরগী শান্নরোই কয়া অমা মখল মখা কয়াগী দিসিপ্লিনশিংদা ভারতকী লৈরিবা ষ্টেট খুদিংমক্তা লৈবা স্পোর্টসকী ওর্গনাইজেসনশিং অমদি সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টকী মখাদা লৈবা সার্বিসেসকী দিপার্টমেন্টশিংদা থবক তৌদুনা অমদি শান্নরোই ওইনা লৈবা কয়া অমা য়াওরি। মসিদগী মণিপুর কৌবা য়াম্না খুৎমাং চাওশিন্না কলচর অমসুং শান্নবগী লমদা থোইদোক হেন্দোক্লবা ষ্টেট অমা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা চন্দুনা লৈরি হায়বসি খঙলবনি। মসিমক্তদা করিগী লমদমসিগী মীয়াম্বু মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মীয়াম্না হন্থবা থাক অমদা থম্লিবনো হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরিবনি।*

*থোইদোক্লা অতোপ অতোপ্পা টেক্নিকেল অমদি মেডিকেল সাইন্সকা মরী লৈনবা হীরমশিংদসু মশিং য়ামখ্রবা ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংগী মীয়ামগা চাং য়েংনবদা নোপত্রবা অমসুং মখোয়দগী হেল্লবা মীওই কয়া ষ্টেটসিদগী পুথোক্তুনা ফোরেন কন্ত্রিশিংদা থবক তৌদুনা লৈবা য়াওরি। পীকখ্রবা ষ্টেট অসিদগী থোকপা নৎত্রগা পুথোকপা হ্যুমেন রিসোর্ছশিং অসিগী শক্তি অসি খঙবা মরম্না ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিশিংনা মীৎয়েং চংদুনা ষ্টেটসিদা সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটি অনি অমসু মেডিকেল ইন্সটিট্যুসন্নচিংবা লীংখৎপা হৌখ্রে। মতিক চাবা শান্নরোইশিং পুথোক্লবগীদমক ৱার্ল্ড ক্লাসকী শান্নবুংশিং শেমগৎপা হৌখ্রবনি। মসিমক্তদা লমদমসিগী মীয়ামবু মান্নদবা মীৎয়েং অমদা ইন্দিয়াগী মরুওইবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মীয়াম্না য়েংলি হায়বসি সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী শেমদোক্লবা হোৎনফম থোকপনি। ৱাকৎ খুদিংগী লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংনা খুন্বা পাউখুমদা মণিপুরগী মীয়ামবু নৎত্রগা নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম্বু হন্থবা থাক্তা য়েংলিবা অসি লাইবক থিবনি হায়বা পাউখুম নত্তনা মতিক চাবা লমদমসিগী মীয়াম্না পান্বা পাউখুমদি ফংদনা অদুমক লৈরিবনি। ভারতকী প্রসিদেন্টনা মণিপুরগী খোঙচত্তা লাকপা হায়বসি ষ্টেট অসিবু য়াম্না লূম্না লৌই হায়বা উৎনবা খোঙচৎনি। মরুওইবদি ইন্দিয়াগী লুক–ইষ্ট পোলিসিগী মখাদা ২০২০ ফাওবদা ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংগা মান্নবা থাক্তা চাওখৎহনগনি অমসুং সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংগা লল্লোন–ইতিক তৌবা মতমদা ষ্টেট অসিগী য়াম্না মরুওইবা কয়া অদু খঙলকপদগী হায়রিবা মীৎয়েংশিং অসি চংলকপনি হায়না লৌবা য়াই। অদুমকপু মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মীয়াম্না য়েংলিবা অমদি লমদমসিগী মীয়ামদা থম্লিবা মীৎয়েং অদুদি শেমদোকপগী তঙাইফদবা অদুমক লৈরিব্রা খল্লি।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### ৱেজ বোর্ড করম্না চৎনদৌরি

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

মেগী তাং ১ শিন্মীশিংগী নুমীৎতা মণিপুরগী মরুওইবা থৌরমশিংগী মনুংদা অমা ওইনা মণিপুরগী জরনেলিষ্টশিংগী মরুওইবা থৌরম অমা মণিপুর প্রস ক্লবত্তা পাঙথোক্লক্লি। এ এম দল্লিয়ু জি য়ু গী জেনরেল বোডি মীটিং অমা কৌদুনা ৱেজ বোর্ড কা মরি লৈনবা ৱাফম য়াওনা অতোপ্পা ৱাফম কয়াসু খন্নগদৌরি হায়বা পাউচেদগী খঙবা ঙমলি। নোংজু–নুংশা খাক্তনা পূংশিং নাইদনা থবক শুরিবা পাউমীশিংগী নুঙাইবা পাউ অমা তাবা ওইসনু। ৱেজ বোর্ড চৎনবগী কান্নবশিংদু ফংলবদি থাও মমল কোন্নবা তোলোপ পিদে হায়রিবা পাউমীশিংদা য়াম্না নুঙাইবা ওইগনি। সুপ্রিম কোর্টকী ৱারোল মতুং ইন্না তঙাইফদবা ৱেজ বোর্ড অসি চৎনবসি হৌদোক্লককপা ওইগনি। পৈশা হায়বসিবু পামদবা কনা লৈবগে। অহেনবা তোলোপ পিয়ু হায়বা নৎত্তে, চান্নবা খুৎশুমল পিবিয়ু হায়বনি হায়বসিনা পাউমীশিংগী অমতা ঙাইরবা ৱাকৎনি।

য়াম্না নুঙাইরিবদি তৌগেদা ঙমদবা য়াদবা লৈবাকনি হায়রিবা মণিপুরগী লুচিংবা হায়গদ্রা, শেনজাও পায়বা হায়গদ্রা মখোয়শিং অসিনি। তোলোপ হেন্না পিবদা মাংজগদৌরিবসি প্রেস নৎত্রগা মেদিয়া হাউস অদুগী মপুশিংসু অমনি। মখোয়না পীদনবা হোৎনগনি পাউমীশিংনা তোলোপ হেনগৎপগী মং মংনবা মতমনি কোক অমদি ৱাখললোন অনিসিগী লানশিংনা য়েংবা পুঙাইগদৌরিবানি। মতাংসিদা পনজনিংবা ৱাফম অমনা ঐনা দিল্লিদা মতম খরা লৈরিঙৈদা থেংনজবা থৌদোক অমা লৈ। পৈশা পায়বা নুপাদুনা চাওরবা সোপ্পিঙ মোল অমা হাংই। মোল অদুগী ষ্টাফকী তোলোপশি চেদনা অমা ইরগা থম্মী পিবনা ইরিবদুদগী হনথনা পি। মসিমক্তী মণিপুরগী মফমদা থোক্তবা ওইসনু। পাউগী লমদা থবক তৌরিবশিংগী য়েংলগা মীনুংশি হায়বদু খিতং ওইরবসু য়েংবীদুনা থবক তৌবিরদি পাউমীশিংশু থৱাই নুঙাইগনি অদু ওইরবদি ঐগী মরুপ পাউমীদুগী তোলোপ য়ামদবগী ৱাকৎ ঐঙোন্দা লাকপা খরা হনথগনি হায়না হায়জরি।

*অদোমগী*
*ওইনাম গোবিন সিংহ*
*কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকাই।*

# কুমহৈগী কুমহৈ

শকউদ্রবা ওজা খোবী লৈনৌগী শুর শৈহেক্কি পাউদম ৱারি ঈশৈ খোংজোম পর্ব্বগী শৈহেক কনানবু কাউবা ঙমগনি। অসিগী মথক্তা ওজা লাইঘোনোগী খোংজোম লান অসিসু থোইদোকপা মহাও অমনি। অচৌ–অশাং খোংতেক মীৎতাং খাক্তনা এপ্রিল ২৩ লাকপদা খোংজোম লান নিংশিংদবা লৈরমলোই। কুমজা ১৮৯১দা খোংজোমগী খেবা চীংদা শোক্লখিবা ফিউদ্যেল অমসুং কেপিতেলিষ্ট অনিগী লানফম। মণিপুরগী ওইনসু অরোয়বা নীংতম লানফমনি হায়নরিবা। ফিউদ্যেল অমপুং কেপিতেলিষ্ট অনিগী লান হায়বসিমক্তবু ফিউদ্যেল না মাই পাকখিবা হায়বা ৱাফম কয়া তাদে। হেক উবমক্তদা নাকল অনিগী পায়নরিবা খুৎলাই অদুনা অদুম তাকচরবনি হায়জনিংই। মরৈবাক্কি নিংতম্বা ঙাক্লবগী মালেমগী মীওইবা খুন্নাইগী চৎন–লোনচৎকি মনুংচন্না তায়বংপান্দা খ্বায়দগী মরু ওই হায়না লৌনরিবা থৱায়দগী হেনবা অতৈ লৈত্রে হায়নরিবা থৱায় কৎপা অসিনি। মথৱায় পাম্মুবা লৈতবা অসিনি পুন্সিগী অরোয়বা অৱাংবা ফিদম। মীখাপোন্না হিংগদবগী শরুক ইরৈপাক্কি নিংতম্নবগী শিবা কিদনা য়েক্লবা মায়রোং য়াদুনা থৱায়না পোনথা ওইখ্রবা অদুগুম্বা অথৌবশিংগী নিংশিং থৌরম এপ্রিল কুনহুমদোই খোংজোম লান নিংশিং থৌরমদা সি এম দা অকায়–অতোয় য়াওহন্দনবা দিমান্দ তৌসি। শর্মিলাগী দিমান্দ অসি কনাদা অকায়–অতোয় য়াওবগে? হংনফম থোক্ত্রা? খুৎলায় থাদোকলো ৱারি শান্নসি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর। অমরোমদা খুৎলায় থাদোক্লবদি ইহৌ অদু লৈত্রে হায়গদৌরিব্রা নৎত্রগা দিমান্দ পিরে হায়না লৌগদৌরিব্রা? ভোটকি মতমদা মীয়ামগী পাউখোল্লোয় ওইহনবিয়ু হায়দুনা ৱাশক্তুনা ভোট কাখ্রগা করিগীনো প্রজাগী অৱাৎপা দিমান্দ তৌহন্নিংদ্রিবা। দিমান্দ তৌদনবা মরিলৈনবা ওথোরিতি ওইরিবা মখোয়না প্রজাগী অৱাৎপা তঙাইফদবা দিমান্দ মশক খঙদ্রিবা। য়েংববু হৈরবদি কুমহৈগী কুমহৈ হায়বদুনি। হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা তঙায়ফদবা পোৎলম কয়া লৈরিবনি। পোৎলম অসি মশা–মশানা ফংনবা হোৎনবা তারবদি লৈঙাক অমা খুৎলিংদুনা লৈবগী কান্নবা করি লৈরি। মমৈদদি পেরেলেল গভর্নমেন্ট অমা লৈরকপা তাবা নৎত্রা?

মতমদুদা থকশি–খাশি লৈরকখিগদ্রা লালহৌ–নৎত্রগা অঙম–অঙম হাৎনা শুনবা অমা থোক্লকপা তাবা নৎত্রা? খেন্নবা থিদনা মীচম মীয়াম থৱায়পানবা খুদিংগী চঙদবা য়াদ্রবা ঈশিং মীয়াম্না তোয়না হায়নরিবা ৱাটর ইজ লাইফ অসি ফাওবা লানফম অমগুম মায়োক্লহল্লে। কদায়দনো ঐখোয়না মালেমগী অতৈ কন্ত্রিগুম চাওখৎ লমজেল য়াওবা ঙমগদবা করম্বা নুমিৎ থাদনো? অসুক নেম্বা লৈঙাক মালেমগী অতৈ করম্বা মফমদা লৈরমগনি হায়বা ঙমব্রা? হিংবগা শম্নদবা তোট খুৎপি। হন্দক্কি ১৬ শুবা লোকসভা ভোটতা ভোট খরদা ভোট থাদনবগীদমক্তা লুপা ১০০ নত্রগা ২০০ হেন্না য়েল্লি হায়নবসু তায়। মসি শাক্ষি প্রমান লৈতনবা অদুবু মীয়াম্না অরোনবা অফোংবা ঙাংনৈ তৌনৈ। অমরোমদসু পাথোক্তুনা য়েংবা য়াই।

**– মমি লুৱাং –**

লৈঙাক তাঙ্কক অমগী চহি মঙাগী মতম । মী অমগী নোংমগী চরা অনি। চহি ১গী নুমিৎ ৩৬৫ x ২ = ৭৩০। অমুক চহি ৫গী ৭৩০ x ৫ = ৩৬৫০ মসি চহি ৫গী চরা মশিংনি। হোতেলদা অপিকপা চরা অমগী চাংচত্তা লুপা ১০০ না চরা অমনি হায়না পাবা মতমদা ৩৬৫০x১০০ অপুনবা লুপা ৩,৬৫,০০০ অসি ভোটর অমগী হিংনবগী চাক্কি পৈশানি। মসিদা চীনশেঙনবগী ঈরুজনবগী অতৈ খরচ য়াওদ্রিবনি। মৈ ফংদ্রবসু, ঈশিং ফংদ্রবসু লম্বি–থোং শেম্বিদ্রবসু, ঈচা লাইরিক তমদ্রবসু ৱাকৎ অমত্তা তৌজররোই। চাক্তমক চারগা থৱায় অসি শিদনবা খাংজরগে হায়রবসু চহি মঙা তাংকক্কি লুপা ১০০ খক্তংদা লৈবা হায়গদরা য়েনবা হায়গদরা মীয়াম্না ৱায়েল চখিবিয়ু। নুংশিজরবা ঐখোয়না ইকায়খুম্নজরিবা মীরেপ ওইবিরিবা মীয়াম ভোটরসু মরোল থোকপা লল্লোনপোৎ ওইনা হিংহনবিরিবা। মশানা মশাবু মরোল থোকপা ওইহনজরিবা। ৱারেং অসিবু ইজরিববু চামরক হন্না তাকপি তম্বিবা ঙম্লবা প্রজাশিংনা মৈ–ঈশিংগী ৱাফমসি পনফম থোকপরা হায়জনিংই। ভোট মতমদা তঙাইফদনা হিংবদা চঙবা পোৎলম অমদি পব্লিক দিস্ত্রিব্যুসন সিস্তেমগী মরমদা মপুং ওইনা পন্নখিবা লৈবরা। কনাগুম্বা খরনা অদুক পাউচেগী লমায়দা ইদুনা ফোংদোরকপমখৈ নত্তনা। ইবুংঙো মী লল্লোনবা চীনবান থোংদদি মীয়ামগী সেবা। চাওখৎপগা শম্নদ্রবা। ভোটরসু হিংবগা শম্নদ্রবা। লুপা ১০০না চহি মঙা থাংবিয়ু চংগদৌরিবা অপুনবা শেনফমদি লুপা ৩,৬৫,০০০ নি। লুপা ১০০ খায়দোকখ্রগা লুপা ৩,৬৪,৯০০ দি কদায়গী নিরুগনি। খোংবালদগী চীংখৎলয়োনবদগী লৈরগা শিজিন্নবসি ফোতো নুমিৎ খুদিংগী ফোংলিবা পাউচেগী লমায়দা অয়ুক ঙন্তাদা উনরিবসিনি।

লৈবাক্কি ৱাথোক লানথোক অফা–ফত্তা পুম্নমক মীরেপ অমসুং ভোটরশিংগী ভোট খুৎপি অসিগী ফলনি হায়জনিংই। করিগুম্বা লাল্লবসু হন্দোকচগে। মীখলগী থৌওং সিস্তেম অসি হোংদোকপা নৎত্রগা ঈভোলুশন্দা য়ুমফম ওইবা সোসিয়েল সাইন্স খঙনবা পোলিটিকেল ওর্গনাইজ তৌবা ঙমদ্রিবা ফাওবদি কার নাম্বা লফু হায়বদু তাদুনা তোক্কনি হায়জনিংই। লমদমসিদা চৎনরিবা ইলেক্সনগী ত্রেন্দ, য়াম্না নেম্বা থাক্কি মীখলগী পাম্বৈ অসি খক্তনা ইমুং মনুং ঈংন–চীক্না পানগনি হায়বগী আশা তৌনিংঙাই লৈফম থোক্তে হায়জনিংই। অসিগুম্বা মখলগী মঙলান অসিদি রোমান্টিক কাংবুগী লৈচিন্দা য়ুম শাবা কাংবুগী মরাইবক ফগনি খল্লি। মঙফাওনবসু য়াই। অদুগা অশেংবা অহিংবা চাওখৎপা তায়বংদদি শুকওই ওইথোক্লররোই। ঐখোয় হৌজিক চেগী থোং লানবা তাবনি। খোংবালগী ঈশিং শিজিন্নবা তাবনি। লাইগী মচামশুশিং লাইদা থৱ্লবা ঈশিং, পেত্রোল, দিজল, উপাক হোদবা থোং ময়োম ময়োম মপৈ থাদবিরকউ থাবুংতোন অসি মঙাইদনা।

# মণিপুরদা মে ডে চহি ৭৫–প্লেটিনম জুব্লি

## শিন্মীশিংগী মণিমুক্তা ফুদোংবা চহি - ২০১৪ ষ্ট্রগলগী চহি

জননেতা হিজম ইরাবত মণিপুরী জাতিগী শক্লাইরবা মীশকশিংগী মনুংদা তোমথিন ঙান্দুনা লৈরবা–সাহিত্য, কলা, সংস্কৃটি, শান্ন–খোৎনবা, সমাজ সংস্কার, রাজনীতিগী লম্বীদা মরুওইনা–শুরি নোম্লিবা শিন্মী কাঙলুপকী লাম্থেংনবদা কৎথোকপদনা মশরূক ওইখ্রবা, মরৈবাক মজাতি অমসুং বিশ্বশান্তিগীদমক অকনবা খোঙজং চঙশিন্দুনা মীনা মীবু ওৎতবা মান্নবা সমাজ, সাইন্টিফিক সোসিয়েলিজমগী পান্দম ফংনবা লাল হৌরম্বা লালহৌবা রিভোলুসনরিনি।

মায়থোং কয়া লোংবা মণিপুর ইতিহাসকী চেম্থরক্লিবা ঈচেলদা মহাক্কী পুন্সি অমসুং থবক্কী মরমদা জাতি অসিনা নৈনরি, নৈনরকখিগনি মরমদি মহাক্কী থবক অমসুং ৱাখললোন্দি চাওখৎপা পান্বা অমসুং লেপ্পুনা লৈতবা ৱাখল্লোননি। পুন্সিগী মশীং য়ামখ্রবা মহাক্কী থৌদোকশিংগী মনুংদা থৌদোক অমখক মতৌ করম্না ওইরকখিবনো হায়বদু –মেগী অহানবা নুমিৎ মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমিৎনি। নুমিৎ অসিবু পৃথিবী শিনবা থুংনা পালন পাঙথোক্লরে। পালন অসি পাঙথোকপগা লোয়ননা শিন্মীশিংনা অমগা অমগা শৌগৎনবা অমসুং নুংশি চান্নবা ফোঙদোক্লবগা লোয়ননা শেঙ্গাউ পায়বা সমাজগী মীনা মীবু ওৎ নৈবা নীতিদগী মনীং তম্বা ফংনবা লৌনরি। অদুগা সমাজবাদ (মান্নবা খুন্নাই) লিংনবা পুন্না থেংনমিন্ননবা লাউথোক্লি।

ইতিহাসিক ওইরবা মেগী অহানবা নুমিৎ অসি অমেরিকাগী চিকাগো সহরদা খৃ. ১৮৮৬ তা হৌখিবা অকনবা শিন্মীশিংগী আন্দোলোন অদুদগী লৌদুনা চখরকখিবনি। নুমিৎ অদুদা শিন্মী লাখ ৫ হেনবনা অতম্নবা আন্দোলন শরূক য়াখিবা অদু উবদা শেঙ্গাও পায়বা কল–কারখনাগী মপুশিং অমসুং মখোয়গী খুৎপুশিং অদুনা অকিবা পোক্লকখি। শিন্মীশিংগী অপুনবা শক্তি অদু মতমদুগী ফিভমদা মখোয়গী থবক শুবগী ফিভম ফগৎনবা মরুওইবা থবক শুবগী পুংশিং পূং নিপান (৮) দা হন্থহন্নবা দাবি অদুদগী ওইরকখিবনি। শিন্মীশিংগী শক্তি নমথনবা মীকুপ অমত্তা থেংথদনা শেঙ্গাও পায়বশিং অদুনা মখোয়গী স্বার্থদা কোর্ট কী শক্তি শীজিন্নদুনা আন্দোলন অদু নমথনবা হোৎনখি। মেগী অহুমশুবা নুমিৎতদি মেক কোর্বিক হার্বেষ্টর ৱার্কশোপকী আন্দোলনকারি শিন্মীশিংবু লাকশিন্নবা হিংচা য়াইতম্বা মওংদা পুলিসনা চখরকখিবদুদা শিন্মী তরুক শিখি, কয়া অমনা শাথিনা অশোক অপন নঙখি। থংনবা নুমিৎতা পুলিসকী কা হেনবা থৌদৌ অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা হে মার্কেট স্কোয়রদা মীটিং অমা শিন্মীশিংনা শিনখি। মদুদসু পুলিসশিংনা লান্দারকখি। মীয়ামগী মরক্তা বোম লংশিল্লকখি। পুলিসমেন ৭ অমসুং শিন্মী ৪ থৌদোক অদুদা শিখি। অশোক অপনশিংগী মশীংদি অসুক্কী মতিক য়ামখি, মদুদি মশীং থিবদা ৱাখি। মদুগী মতুংদা চিকাগো আন্দোলনকারিশিং ফাজিনখি অমসুং শেঙ্গাও পায়বা ষ্টেট পুলিসকী অত্যাচার মায়োক্লখি। চিকাগো থৌদৌ অদুবু মালেমগী লৈবাক কয়াদা লৈরিবা শিন্মী লুপশিংনা য়াম্না নিন্দা তৌনখি লোয়ননা ইং ১৯৮৯ গী জুলাই ১৪ দা পেরিসতা ফমখিবা সেকেণ্ড ইন্টরনেসনেলগী মীফমনা মে অহানবা নুমিৎপু 'মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমিৎ' হায়না চহি খুদিংগী পালন পাঙথোক্লবা ৱারেপ লৌরকখি। মে ডে পালন মালেম শিন থুংনা পাঙথোকপা হৌরকখি।

ভারততসু মে ডে গী ইহৌ তপ্না তপ্না হৌরকখি। শিন্মীশিংনা অহানবা আন্দোলন ইং ১৮৬২ দা হাওরা রেলৱে ষ্টেসনদা পাঙথোকখ্রবসু মে ডেগী পালনদি চহি ৬১ লৈরগা অহানবা ওইনা পাঙথোকখি। অদুসু খা ভারতকী মদ্রাজ সহরগী সমুদ্র খোংবান্দা লৈবা শিন্মী লুচিংবা সিঙ্গারা ভেলুগী য়ুমদা মহাক্না সভাপতি ওইদুনা খৃ.১৯২৩ দা য়াম্না চম্না পাঙথোকখি। পালন অদুগী চিংখৎনবা ফিরাল লৈতবদগী মচানুপীগী ঙাশ্রং ঙাংবা সাডিবু ফিরাল ওইনা চিংখৎখিবদু কাউঙম্লরোইদবা থৌদোক্লি। থৌরম অদুনা মে ডে বু সরকারগী ছুটি ওইনবা দাবী তৌখি। ইং ১৯২৯ দগীদি ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন লুচিংবা রজনীপালটুনা ৱা ঙাংদুনা মীয়ামবু শিন্মীশিংগী ইহৌদা পুক্লিং চিংশিনখি।

নোংম নোংমগী কল–কারখানা অমসুং শিন্মীশিংগী মশীং হেনগৎলকপনা ভারত্তা শিন্মীশিংগী আন্দোলনসু মশীং হেনগৎলক্লি। শিন্মীশিংতগী ওইবা দাবীশিংতা নত্তনা মরৈবাক মজাতিবু নিংতম্বা ফংনবা খোল্লাউবু য়াওরকখি। মদুগী মরমদি রুশকী ওক্টোবর রিভোলুসন মায় পাকখিবা অমসুং মদুগী ইহৌ অদু ভারততসু য়ৌরকখিবননি। মদুগী ইথিল অদুনা ভারতকী শিন্মীশিংদা ইনোৎ অমা হাপকৎখি।

**সোটিনকুমার**

সমাজবাদগী খোল্লাউ লাউরকখি। সমাজবাদী লুচিংবা কয়া পুথোরকখি, রিভোলুসনরি কয়া থোরকখি অমদি মালেমগী সমাজবাদি আন্দোলন্দা খোঙ থাংজিনবা হৌরকখি। মদুনা ভারতকী অৱাং নোংপোক সিমানা তম্না হাইজিল্লকখি। শিন্মীশিংবু সমাজবাদকী মরমদা খঙহন্নবা মীফম কয়া পাঙথোরকখি। মরুওইনা আসামগী সুরমা ভেল্লি অমসুং ব্রহ্মপুত্র ভেল্লিদা অকনবা নুংশিৎ য়ৌরকখি। সুরমা ভেল্লিগী সিলহেট সহর রিভোলুসনরিশিংগী সেন্টর ওইরকখি। শিন্মীশিংদা সোসিয়েলিজমগী মরমদা লেকচর পীখিবশিংগী মনুংদা এম এন রোই অমনি। শ্রীরোই ইং ১৯২০ দা মোস্কোদা ফমখিবা কোমিন্টরমগী অনীশুবা কংগ্রেসতা মোস্কো কম্যুনিষ্ট পার্টিগী মীহুৎ অমা ওইনা শরূক য়াখিবনি। কোমিন্টরমগী একজিক্যুটিভ কমিটিগী মেম্বর ওইনা মালেম ফাওরবা ভি. আই. লেনিনগা লোয়ননা মীরেপতা খনখিবনি। মরম অদুনা মহাক্না লেকচর পীগনি হায়রবদি আসামগী সুরমা ভেল্লি লৌমী শিন্মীগী লুচিংবশিং হেক্তা তাবা চৎপনি। লেকচর তাবগী ফী খরসু মতমদুদা পীনৈ। মহাক্কী মতুং তুংইনবা কয়া আসামদা লৈরকখি।

অনিশুবা পৃথিবীগী লাঞ্জাও হৌদ্রিঙৈ মতমদুদা ঙসিগী অসুম্না মালেমদা চাউরবা কেপিটেলিষ্ট ক্রাইসিস থোকখি, মদুগী মরম্না লৈবাক খুদিংমক্তা শিন্মীশিংগী আন্দোলন কনখৎলকখি। ডিগবোই থাউ কম্পনিদসু শিন্মীশিংগী আন্দোলন অনৌবা খোঙথাং অমদা চঙশিল্লম্মী। মদুগী মরমদি শিন্মীশিংবু থবক্তগী লৌথোকপা হৌরকপা, ওফিসারশিংগী বঙ্গলোদা থবক শুবা শিন্মীশিংবু কর্ম্মচারি অমা ওইনা শক খঙবিদবা, মীনাই ওইনা শীজিন্নবা অমসুং খুৎশুমল মতিক চাদবা অসিনচিংবা অসিনা মরম ওইদুনা পোইন্ট ১২গী দাবী তৌদুনা ইংশোক ১৯৩০গী ফেব্রুৱারী থাদা আন্দোলন হৌরক্লম্মী। ডিগবোই থাউ কম্পনিগী মমাঙদা হৌখিবা অন্দোলন অদু মপুং ফারম্মী। মদুদা শরূক য়ারুবগীদমক শিন্মী ৭৪ থবক্তগী লৌথোকখি। থৌদৌ অদুনা শিন্মীশিংগী পেন্দবা, খোয়শাওনবা হেনগৎলকখি।

থাউ কম্পনি অদুদা ভারতকী জাতী কয়াগী শিন্মীশিং য়াওরম্মী। মৈতৈ মচা (মণিপুরী) কয়া অমসু য়াওরম্মী। মদুদা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা জাতিগী মীশকশিং অদুনা মরুওইনা জাতিশিং অদুগী মীয়ামগী পুক্লিং চিংশিন্নবা খোঙজং লৌখৎনরম্মী। মদুগীদমক মণিপুরগী মীয়ামদগী মরুওইনা লুচিংবশিংগী মতেং লৌনবা ডিগবোই থাউ কম্পনিগী শিন্মী লুচিংবা ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেসকী মরুওইবা লুচিংবা শ্রীকুঞ্জো মীহুৎ অমা ওইনা মণিপুরদা থারকখি। শ্রীকুঞ্জো হায়রিবা শিন্মী লুচিংবসি এম এন রোইগী তুংইনবা ভারত কম্যুনিষ্ট পার্টিগী মেম্বর অমনি। মহাক্না ইম্ফাল য়ৌরক্লগা ডিগবোইদা মহাক্না থবক তৌমিন্নবা মরূপ শ্রীঙাঙোম ইবোতোম্বী সিংহগী ময়াম্বা ঙাঙোম জুগিন্দ্রো সিংহগী নাগমপালদা লৈবা য়ুমদা লৈরম্মী। মফম অদুদা শৈদাংফম লৌরগা মণিপুরী লুচিংবশিংগা অমমমতা ওইনা উন্নবা হোৎনরম্মী। মতম অদু ইং শোক ১৯৩৯ গী এপ্রিল থাদনি।

**মণিপুরদা মে ডে পালন তৌরকপা ১৯৩৯ঃ**

মতমদু মণিপুরদসু ইরাবতকী মখাদা মীয়ামগী আন্দোলন কন্না চঙশিল্লকপা মতমনি। নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাবু নিখিল মণিপুরী মহাসভা হায়না মমিং ওন্দুনা রাজনীতি দল অমগী ফিরেপ লৌরকপা কুইদ্রিবা মতমনি। অদুগুম্বা মতমদুদা শ্রীকুঞ্জোনা ইরাবত অমসুং মাগী তুংইনবা খরা নত্তনা অয়াম্বা মণিপুরী লুচিংবশিংনা ডিগবোই থাউ শিন্মীশিংগী আন্দোলন অদুদা শৌগৎপা অমসুং মতেং পাংবা পাম্লমদে। মদুনা মরম ওইদুনা মহাসভা মনুংদা মত খেন্নবা লৈরকখি। অদুম ওইনমক শ্রীকুঞ্জোনা ইরাবতকী মতেংদি ফংলম্মী। লোয়ননা মালেমগী অমসুং ভারতকী শিন্মী আন্দোলনগী মরমদা অয়াম্বা মতমদা ৱারী ৱাতাই শান্নরম্মী। অনৌবা ৱাখল্লোন নৎত্রগা থবক অমা লৈরবদি মদুদা পুক্লিং চঙনা নৈনবা অমসুং মদুবু থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনবা হায়বসি ইরাবতকী হৌনশানি। মরম অদুনা এপ্রিলগী তাং ২৭, ১৯৩৯ ইংদা নিখিল মণিপুরী মহাসভাগী ৱার্কিং কমিটি মীটিং মহাক্কী ময়ুমদা ইমজেন্সি মীটিং ফমদুনা ডিগবোই থাউ শিন্মীশিংগী আন্দোলন অদু শৌগৎপা অমসুং ফোঙবা অমসুং আসাম রাইফলসকী জৱানশিংনা থাউ শিন্মী ৪ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা অদুবু য়াম্না কন্না নিন্দা তৌবা ৱারেপ লৌখি। ৱারেপ অদু 'মণিপুর পাউজেল' হায়না কৌবা চেফোং অদুদা ফোঙদোকখি।

মণিপুরদা শ্রীকুঞ্জো লাকপা অমদি মহাক্কা ইরাবতকা খন্ন–নৈনখিবদগী ইরাবততা তাহৌবা মমি অদু অসুক্কী কনখ্রে মদুদি থিহুদনা থবক খরা পায়খৎনবা শেম শাখ্রে। মহাক্কী তুংইনবা খরগা তান্নরে। মে ডে নুমিৎতা সভা যাত্রা অমা চৎপা তারে। মতম অদুদি সভাযাত্রা অমা চৎপা তারবদি পোলিটিকেল এজেন্টকী হুকুম অমা য়াওবা তারম্মী। মে ডে গী সভাযাত্রা চৎকে হায়না নৎত্রগা রাজনীতিগী খোল্লাউ লাউদুনা সভাযাত্রা চৎকে হায়রবদি হুকুম পীরক্লেই হায়দুনা ইরাবতনা খনবসি ফিভম অদুনা মশানা তাবা ওইরমখি। মরম অদুনা ১৯৩৯ইংগী মে তাং ১গী নুমিদাংদা হুকুম য়াওদনা ইরাবতনা লুচিংদুনা রাজনীতিগী খোল্লাউ লাউদুনা সভাযাত্রা অমা মোইরাংখোমদগী হৌরক্লগা পোলিটিকেল এজেন্ট মি ঃ জিমসনগী ওফিস ফাওদুনা চৎখি।

মসিগী ৱাফম অসি মিঃ জিমসননা মণিপুরগী মহারাজ সার চুরাচাঁন্দ সিংহদা ইবা ডি ও নম্বর ৫৬৯, জেনেরেল তাং ২।৫।১৯৩১ ইংদা ময়েক শেংনা ইরি। তৌবদি নুমিৎ অদুগী সভাযাত্রা অদু মে ডে গী সভাযাত্রানি হায়না রিপোর্ট অদুদা য়াওরমদে। মদুগী মরমদি সভাযাত্রা অদু হুকুম য়াওদনা শিনখিবা অমসুং মে ডে পালন তৌরক্কনি হায়বা ৱাখল মি ঃ জিমসনদা লৈখিদবা অমসুং সভাযাত্রা অদু ইখং–খঙহৌদনা শিল্লকপা অদুননি। অসুম তৌদুনা ইরাবতনা মে ডে পালন মণিপুর ইহান হানবা ওইনা ইং ১৯৩৯গী মে ১ দা পাঙথোকখি। লোয়ননা ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেসকী ইহৌ মণিপুরদা চঙলকখি। ইরাবতনা পাঙথোক্লম্বা মে ডে ঙসিদি মণিপুরগী শিন্মীশিংনা চহি খুদিংগী লেপ্পা নাইদনা পাঙথোক্লি। মণিপুরদা মে ডে পাঙথোকখিবা চহি ৭৫ চঙলক্লে – প্লেটিনিয়ম জুব্লি থোক্লরে, মণি মুক্তা ফুদোংবা চহি ওইররে, ষ্ট্রগলগী (থেংনবগী) চহি ওইবা তারে।

পুখৎলিবা ডিমান্দশিংদি ঃ (১) শিন্মীশিংগী খুৎশুমল হেনগৎকন্দবনি – মিনিমম ৱেজ এক্ট নৌহৌননা এমেন্দ তৌদুনা খ্বাইদগী তাবা থাগী তলব নৎত্রগা খুৎশুমল লুপা লিশিং তরা ওইহনগদবনি। (২) তাঙাই ফদনা চঙবা পোৎচৈগী মমল হেনগৎপা থিংননবা চপ চাবা থবক পায়খৎকন্দবনি। শেঙ্গা থুমজা মুথৎকন্দবনি। (৩) শিন্মীশিংগী পুন্সি কল্লু, নেসনেল হায়ৱেশিংদা মীহাৎ মীপুন তত্তনা থোক্লিবসি কোক্লবা খুদক্তা কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারনা হায়ৱে পোটেক্সন ফোর্স থমগদবনি। (৪) ইমুং পুম্নমক্তা চেঙ কে.জি.দা লুপা ২দা থাগী চেঙ কে জি ৩৫ ফংহল্লু। (৫) বেসিক লেবর লোশিং ঙাক্লা চৎনহনগদবনি, লো থুগায়রকপা চৈরাক পীগদবনি। (৬) অনওর্গেনাইজ সেক্টরশিংদা থবক শুরিবা শিন্মীশিংসু য়ুনিভর্সেল সোসিয়েল সেক্যুরিটিনা কোনশিনগদবনি। (৭) শেন্দোং চঁউনা লাক্কদবা সেন্ত্রেল অমদি ষ্টেটনা চলাইবা পব্লিক সেক্টর অন্দরটেকিংশিংদা শেল থাদগদবনি, মণিপুর সরকারনা চলাইবা ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাশিং প্রাইভেটাইজেসন তৌবা য়ারোই। (৮) পার্মিনেন্ট ওইবা ফমশিংদা কন্ট্রেক্টতা থবক হাপকনু, কন্ট্রেক্ট ৱার্করশিংসু রিগুলার ৱার্করশিংগা মান্নবা খুৎশুমল, তলব, ৱেজ ফংহল্লু। (৯) বোনস, প্রোবিদেন্ট ফন্দ, গ্রেচুয়েটি পীথোকপদা থম্লিবা অথিংবা লৌথোকউ।

তুংকোয়না হিংসনু মে ডে অমসুং মালেমগী শিন্মীশিং পুনশিল্লসি হায়বা খোল্লাউ পুদুনা জননেতানা পামজরম্বা লম্বীদা ঐখোয় তুং ইল্লসি। *'ইং ২০১৪ চহি চুপ্পা চখজগদবা শিন্মীশিংগী ইহৌ অসিদা খ্বাই তরানা মপুং ফানা শৌগৎপীয়ু অমদি শরূক য়াবিয়ু।'* লোং লীভ রিভোলুসন